# ‘শান্নরোয় খক্তা নত্তনা মীপুম খুদিংমক হকচাং ফনা লৈনবগীদমক শাজেল তৌবা মথৌ তাই’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা এক ঘন্তা খেল কে মৈদান মে হায়বা ৱাখলদা য়ুম্ফম ওইরগা লংথবালদা লৈবা চুমথাং শান্নবুংদা নেশনল স্পোর্টস দে ২০২৫ পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেল্থ সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. চম্বো গোলমৈনা হায়, মীওইবনা পুন্সি নুংশাংনা হিংনবা হোৎনবদা হকচাং ফনা লৈবা মথৌ তাই। মরম অদুনা শান্নরোয় খক্তা নত্তনা মীপুম খুদিংমক্না হকচাং ফনা লৈহন্নবগীদমক শাজেল তৌবগী তঙায়ফদবা লৈ। অফবা চীঞ্জাক চাবা মথৌ তাই। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা মীওই অয়াম্বা মশাগী মথৌ চিনবনা মরম ওইরগা মতম কায়থোক্তুনা শাজেল তৌবগী চাং য়াম্না হন্থরে। চীঞ্জাক্তসু হান্ননা শেমদোক শাদোক্লবা চীঞ্জাকশিং চাবগী হৈনবি লৈরক্লি। অদুবু হান্ননা শেমদোক শাদোক্তুনা অমদি লিদুনা থম্লগা চীঞ্জাকশিং তোয়না চাবনা হকচাংদা অকায়বা লাকই। মমা মপা ওইবশিংনসু হৌগৎলক্লিবা মচাশিংবু হান্ননা শেমদোক শাদোক্তুনা লিদুনা থম্লগা চীঞ্জাকশিং চাবগী হৈনবী লৈহল্লোইদবনি হায়খি।

নেশনল স্পোর্টস দে অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট মরি হায়বদি সোসল ৱেলফেয়র, ফুদ সেফটি, পি ঐচ ই দি অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা মরুওইনা ফুটবোল, বেদমিন্টন, থৌরি চিংবী অমদি মিটর ১০০গী লমজেলনচিংবা কয়াদা অথোয়-অহেন চাংদম্নগনি।

# নেশনল স্পোর্টস দেগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা হাল্ফ মরাথোন চেনখ্রে


**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):**
মিনিষ্ট্রিক্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হায়র এদ্যুকেসন গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ফিট ইন্দিয়া কেম্পেইন কন্মিটি, ফিট ইন্দিয়া ক্লব অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নেশনল সার্ভিস স্কিম (এন এস এস) সেলনা নেশনল স্পোর্টস দেগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ত্রাইফিক আইলেন্দদগী হৌরগা কেম্পস অসিগী মনুংদা য়ুনিভর্সিটি অদুগী নুপা অমদি নুপী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা হাল্ফ মরাথোন অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এল লোকেন্দ্রোনা লমথাখ্রে।



হাল্ফ মরাথোন লমথাবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এল লোকেন্দ্রো, রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর এম প্রেমজিৎ, ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি প্রোফেসর এল থম্বাল, এন এস এস কোওর্দিনেটর অমদি কনভিনর এফ আই সী সী এন্দ এফ আই সী ডা. এল সন্তোস, সিক্যুরিটি ওফিসর ডা. ৱাই শান্তিকুমার অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী অতৈ ফেকলটি মেম্বরশিংনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হাল্ফ মরাথোন অদুদা নুপা কাঙলুপকী ওইনা পৌরিময়িবে পামেনা গোল্ড, এলাংবম রাকেশনা সিলভর অদুগা য়াথেম জিমিকনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগীদনা ইরোম বিজয়ানা গোল্ড, উমেরি মাংশাতাবমনা সিলভর অদুগা অথিনিন দাবিসনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা মকোক মথং তারবশিংদা মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1578**

**Christian Sandor (2385) - Alexander Kurz (2350)**
**Bundesliga 9596 Germany, 1995**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 g6 |
| 6.Be3 Bg7 | 7.f3 O-O | 8.Qd2 Nc6 | 9.Bc4 Bd7 | 10.O-O-O Ne5 |
| 11.Bb3 Rc8 | 12.h4 h5 | 13.Bg5 Rc5 | 14.Kb1 b5 | 15.g4 a5 |
| 16.gxh5 a4 | 17.h6 Bh8 | 18.h7+ Nxh7 | 19.Bd5 Nxg5 | 20.hxg5 Bg7 |
| 21.Rh4 e6 | 22.Rdh1 Re8 | 23.Rh7 f6 | 24.Qh2 fxg5 | 25.Bxe6+ Bxe6 |
| 26. ... | | | | |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1577 Solution :**

**18. Ne5** *Opening the line from d2 to d8. Opening the line from d1 to d8.* **dxe5**
*18...Rxe5 19.Bxe5*
*18...Ne4 19.Nxe4*
**19.Rxd8+ Rxd8 20.Qxd8#** *Damiano's rook mate*
**1-0**











Title : A Flower
By : Angom Phajathoi Devi
Class : II Roll No. : 10 Sec :
School : Kangleipak Modern School


Title : Lotus
By : B.M Saila
Class : II Roll No. : 4 Sec :
School : Tolchou Ibeton Memorial Academy



Title : Water Fall
By : Bonyson Loitam
Class : X Roll No. : Sec : Neptune
School : Kindergarten Montessori School



Title : Sihouette Painting
By : Jarnel Heisnam
Class : XII Sc Roll No. : Sec :
School : Kindergarten Montessori School


Title : A Yacht
By : Kh. Lingjelthoibi Chanu
Class : II Roll No. : 2 Sec : A
School : Eminent School, Khoijuman


Title : A Tree
By : Kh. Chingkheinganba Meetei
Class : KG Roll No. : 12 Sec : A
School : Eminent School, Khoijuman


Title : Spiderman
By : Kh. Yaikhomba Meetei
Class : KG Roll No. : 4 Sec. : A
School : Eminent School, Khoijuman


Title : Mood of Nature
By : Khundrakpam Taibanganba
Class : XII Sc. Roll No. : 30 Sec. :
School : Kindergarten Montessori School


Title : Fruit
By : Nongmaithem Jeshlin Devi
Class : III Roll No. : 25 Sec. :
School : Kangleipak Modern School


Title : Meitei Warriors
By : Osburt Phamdom
Class: IV Roll No. : Sec. :
School : Millennium School, Patsoi


Title : Diwali
By : Paris Laishram
Class : III Roll No. : 45 Sec. : B
School : Little Flower School


Title : A Mermaid
By : Sasmita Koijam
Class : III Roll No. : 3 Sec.
School : The Blossom School


Title : Rumi Demon Huntrix
By : Takhellambam Wattabi Chanu
Class : V Roll No. : Sec : E
School : Little Flower School


Title : Scenery
By : Tanuja Lairenlakpam
Class : V Roll No. : 20 Sec. : B
School : Pitambara English School


Title : Vegetable Composition
By : Th. Tilotama
Class : XI Roll No. : 18 Sec. :
School : Kindergarten Montessori School


Title : Meitei Yumjao
By : Thasana Devi
Class : IV Roll No. : 30 Sec. :
School : Kangleipak Modern School, Imphal West


Title : Scenery
By : : Ningombam Poireingakpi
Class : I Roll No. : 21 Sec. : A
School : Summerfield School Chana


Title : Daughters of Manipur (Kangleipak)
By : Chenglei Sagolsem
Class : V Roll No. : 9 Sec. : A
School : Little Flower School


Title : Small Village
By : Thunika Thiyam
Class : IV Roll No. : 23 Sec. : C
School : Little Flower School


Title : Scenery
By : Abdullah
Class : II Roll No. : 44 Sec. :
School :

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com